# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-06-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-০৬-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১)  মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

২)  হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মণিপুরগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং পুনশিন্দুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি।

**অমসুং**

৩)  কেন্দ্রগী এনভাইরনমেন্ট ফোরেষ্ট অমসুং ক্লামেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়না লৌউ শিংউবা মফমশিংদা উ য়ান্থৎপগী শেমদোক্লবা চৎন-কাংলোন অমা থোকখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুমদুনা ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী

সেক্মাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা হৈরাংগোই থোংদগী পিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফাখি। ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নোংপোক শঙ্গেনবম খুলেনদগী কে.সি.পি(নোয়োন-এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লমদেং অৱাং লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাখি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মণিপুর পুলিসনা ঙরাং গারি নিয়ম লান্না থৌবা মীওই ৪১ চলান ককপগা লোয়ননা লূপা লিশিং ৬৫,৫০০ খোমগৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা গারিশিংদা নপ্লন্বা তিন্টে ফিল্ম ১৯ লৌথোকখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা তেরাখোঙশাংবী মনিং লাইথেলদা থল্লন্বা বোম অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখাইহনখ্রে।

**বিরেন(এল)ঃ** মণিপুরগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং পুনশিন্দুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। দি বি.জে.পি লেজিস্লেচরশিংনসু পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমুক হঞ্জিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়বা অসি সেন্তরদা খঙহনখিবা লৈবনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ঙম্লগনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেকতা লৈবা থম্বাল শংলেনদা বি.জে.পি লেজিস্লেচরশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং শ্রী বিরেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

**ডে(এল) ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থা অমা চুপা চথরকপা মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেনবা নুমিৎ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে-২০২৫ গী লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি

পাঙথোক্লগনি।

মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোলুসন মুখৎলসি হায়বা হীরমদা থৌরম অসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাঙদা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ গ্রাউন্দদগী সিটি কনভেন্সন সেন্টর ফাওবা সাইক্লোথোন চৎখি। মসিগী মথক্তা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমদি কলেজশিংদা প্লাষ্টিক বোটল বেঙ্ক ২০০ য়েন্থোক্কনি। থৌরমদুদা অমোৎপা খোমগৎনবা ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল মঙাসু হৌদোক্কনি।

লোয়শিনবগী থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কলেজ অমসুং য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা পুথোকপা ইনভাইরোনমেন্ট মেনেজমেন্ট এন্দ কঞ্জারভেসনগী থ্রি.দি. মোদেল ইগজিবিসনগী পোষ্টর কম্পিটিসন হৌদোক্কনি।

**ত্রেন্নিং(এল) ঃ** চিঞ্জাক শেম্বগী মতাংদা নুমিৎ তরেৎনি চথরকখিবা রেসিদেন্সিয়েল স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল(মাস্টেক)কী ত্রেন্নিং হোলদা লোয়শিল্লগনি।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলনা শিনদুনা চথরকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরমদা সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী সেক্রেটরি-শ্রীমতি কেঙু জ্‌লিংরা শরুক য়াগনি।

**এৱার্ড (এল) ঃ** আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্ড ঙসি লান্থোক্লগনি।

আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দগী কোম্বিরৈ হাউস, হিজাগাং লেন্দদা লৈবা ত্রষ্ট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমদা জর্নেলিষ্ট এৱার্ড অসি য়েন্থোক্কনি।

থৌরমগা মরী লৈননা কংলা লানপুংগী ১৬ শুবা ভোল্যুমসু ফোংগনি।

**ওবিট (এল)ঃ** মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোইগী শকাইরবী পদ্মশ্রি থিয়াম সুর্জমুখি দেবীনা লৈখিদবদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোইগী লমদা শকাইরবী মীওই অমনা লৈখিদবা হায়বসি মণিপুরগুম্বা কালা সংস্কৃতিগী লমদা চাউথোকচবা লমদম অমগী ওইনা চাউনা মাংজবনি। মহাকা কখোকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী কলচরেল হেরিতেজপু ঙাকবা লৌরম্বা থৌদাংবু মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাকা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

**ফোরেষ্টঃ** কেন্দ্রগী এনভাইরনমেন্ট ফোরেষ্ট অমসুং ক্লামেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়না লৌউ শিংউবা মফমশিংদা উ য়ান্থৎপগী শেমদোক্লবা চৎন-কাংলোন অমা থোকখ্রে। এগ্রো ফোরেষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা অমদি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা ফ্রেমৱার্কশিং লাইথোকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তনি। এগ্রো ফোরেষ্ট্রিনা তোঙান তোঙানবা কান্নবা কয়ামরুম পীরি। মসিনা খুঙ্গংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা, লৈবাক লৈহাউ ফগৎহনবা বাইওদাইভর্সিতি ঙাকশেনবা উ হৌবগী চাং হেনগৎহনবা, ঈশিং য়োকখত্তুনা থম্বদা খুদোংচাবা কয়ামরুম পীরি। মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না শেমদোক্লবা চৎন-কাংলোন অসিনা এগ্রো ফোরেষ্ট্রি লেনগী লমশিং রেজিস্তর তৌবদা হেন্না লাইথোকহল্লগনি।

**মন্সুনঃ** কুমগী নোংনা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরে। হিমাচল প্রদেশতা নোং কা হেন্না চুবদগী লন্থী ১২৯ ফাউনদ্রে। উট্টরাখন্দদা তুরেলশিং পাথোক্তুনা চেল্লে। লন্থী ১৮০ ফাউনদ্রে। হিমাচল প্রদেশতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নোং কা হেন্না চুবদগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমাই পাথোকপগা লোয়ননা তুরেলশিং অসিগী মথক্তা শাবা দামশিংদগী ঈশিং থাদোরকপনা মফম

কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। চীং নিংখাইবনা মরম ওইদুনা লম্বী ১২৯ দা গারি চথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে। রাজ্য অদুদা নোংগা মরি লৈননা শিবা মীগী মশিং ৩৯ শুখ্রে। মীওই ৪ হৌজিক ফাওবা থিবা খংদনা লৈরি। মেট বিভাগনা রাজ্য অদুগী জিলা ১০ দা লাক্লিবা পুং ২৪ দা খঙহৌদনা ঈচাউ থোল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না মীয়ামদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি সুখবিন্দর সিংহ সুখুনা রাজ্য অদুগী কাংগ্রা, মন্দি, সিমোর অমসুং সোলন জিলাদা মহৈ তমফমশিং ছুতি লাউথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অমরোমদা, উট্টরাখন্দদা লাক্লিবা পুং ২৪ অসিদা মীয়াম মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামীনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ট্রেটশিং থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা শেম শাদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে। ষ্টেট ইমর্জেন্সী ওপরেসন সেন্তরগী পাউ মতুং ইন্না নেসনেল হায়ৱে-২ অমসুং ষ্টেট হায়ৱে-৬ য়াওনা পুন্না লম্বী ১৮০ চীং নিংখাইবনা মরম ওইদুনা চথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে। হরিদ্বারদা গঙ্গা তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলক্লি হায়রি। মেট বিভাগনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা রাজ্য অদুদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। জিলা ৭ তা রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পি মণিপুরগী এম.এল.এ ২২ না শরুক য়াদুনা থম্বাল শংলেনদা মীফম পাঙথোকখ্রে। লৈঙাক শেমবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং চংঙি, ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়বা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সরদাগী ৱাফম অমসুং প্রসিদেন্ট রুলগী মখাদা হিংশাগী থৌদোক হন্থরক্লি অদুবু দ্রগ ফাবগী থবক্তী হেনগৎলক্লি- হায়বা পাউশিং নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী সি.এস.ও অহুম কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়রসকী ওফিসিএলশিংগা উননবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে, ঙসি মণিপুর ক্রাইসিসকী মতাংদা ৱারি শারগনি- হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক শেমবা অনৌবা থোঙথাং ওইনা সত্যব্রত্তা, এন.বিরেন য়াওনা এম.এল.এশিং থন্বাল শংলেনদা মীফম পাঙথোকখ্রে, পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ্ মীফমগী মমাঙদা লৈঙাক শেল্লবা য়াই অমসুং রোটরি মেদিয়া পর্সন ওফ দ ইয়র এৱার্দ ২০২৫ ফুরাইলাৎপম কেনিদা খূৎশিন্নখ্রে- হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সু গ্রুপশিংনা মীয়ামগী অপান্বগী মথক্তা থবক তৌবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউশিং থোকলক্লি অমদি চুরাচান্দপুরদা লূপা কোতি ৫ লাক্ষ ৫০ রোমগী ওইগদবা দ্রগকা কোন্ননা মীওই অমা ফারে- হায়বা পাউশিংনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

২০২৬কী এপ্রিল ১দগী মীকোক থিবা হৌগদৌরি- হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

জিরিবাম ইম্ফাল রেলৱে লাইনগী শরুক অমা ওইনা তন্নেল হূৎনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং সব দিবিজনদা সরকারনা লম লৌশিন্নবা নোতিফিকেসন থোকখ্রে- হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

অঙাং শেন্নবগীদমক নুমিৎ ৭৩০ নি ছুতি লৌবা য়ারগনি অমসুং ৱারি শান্ননবা কোকোমি, ফোক্স অমদি অমুকোগী মীহুৎ কাংবু দেল্লিদা থুংখ্রে- হায়বা পাউশিংনা পোকফমগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

বি.জে.পি মন্দল কম্মিতি ৱাকরস অমসুং এন.পি.পি ৱাকরশিং কংগ্রেসতা চংলকপগী ওকপগী থৌরম তমেংলোং হেদক্কারতগী পিছ হোলদা পাঙথোকখ্রে অমসুং তামেংলোং অমদি জিরিগী দি.এফ.ওনা থোকখিবা প্রেস রিলিজ অদুবু আর.এন.সি.এমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়বা পাউশিংনা গানফিউ মেল অমদি তামেংলোং তাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতি এন.পি য়াওনা মণিপুর পুলিসকী ওফিসর ১১ রিসফল তৌখ্রে- হায়বা পাউনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংবাই কৈথেল ফাওবা চংগে হায়বদা সেক্যুরিতিনা থিংলকপগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎলগনি- হায়বা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**